# ফুটবোল অমসুং খৃষ্টান লাইনীং - ২

—লৈশাংথেম অজিৎ—





**য়ুনাইটেদ কিংদমগী** শরুক অমা ওইরিবা স্কোটলেন্দগী সহর গ্লাসগোদা লৈবা খৃষ্টান লাইনীং খেন্নবা অনীগী ফুটবোল ক্লব প্রোটেষ্টেন্ট ধর্ম্ম চৎপশিংগী রেঞ্জর ফুটবোল ক্লব অমসুং রোমান কেথোলিক্সতা থাজবা মীওইশিংগী কেথোলিক্স কেলটিক্স ফুটবোল ক্লব লম্বা তৌনদুনা থৌনা ফনা মশা মশাগী টিমগী মীংচৎ লৈনবা হোৎনবা খক্তা নত্তনা টিম অনী অসিবু শৌগৎপা মীওইশিংনা মাগী মাগী টিমগী মীচং চংনদুনা হাৎনা শুনবগী অমদি ফুনা চৈনবগী ৰাথোক ওইরিবা ক্লব অনী অসিগী চত্থরকপা ওইনা রেঞ্জর ক্লবকী ফুটবোল টিমদা কেথোলিক চৎপা শান্নরোয় অমত্তা য়াওহন্দে, শিল-লাংলিবশিংনসু য়াদে, মখোয়বু শৌগৎপা মীওইশিংনসু য়াখিদে। তৌইগুম্বসুং মতমগী মতুং ইন্না প্রোফেসনেলিজমগী থাক ৰাংখৎলকপা, টেলিভিজনগী খাজনা য়াম্না কারকপা, শেঞ্জাও পায়বশিংনা শেল থাদরক্তুনা মশান্না অসিদগী শেঞ্জাও ময়াম অমা তাল্লকপদা হৈনবী মীওই খরনা অশিন অরাং তৌরম্বা অসিদগী নাম্থোক্লবা অমদি হেন্না ফবা ক্লব অমা ওইহন্নবা অফবা শান্নরোয়শিংবু কাঙলুপ-ফুরুপ খায়দনা লৌশিনবগী দরকার ওইরকখি। অসিগুম্বা মওংদা হোংলকপা মরম্না কুমজা ১৯৮৯দা দেভিদ মুরেয়না রেঞ্জর ক্লবকী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা ক্লব অসিগী মেনেজর গ্রীনে সাউনেসনা কেথোলিক কেটলিক্স ক্লবতা য়াওরম্বা মাউরিপ জোন্ষ্টোনবু রেঞ্জরদা য়াওহন্নবা মশাগী অয়াবা লৌদুনা খূৎয়েক তৌহনখি।

মেনেজর অসিনা খঙই মদুদি রেঞ্জরগী টিমদা প্রোটেষ্টেন্টশিং খক্তনা টিম অমা শেমদুনা শান্নহল্লবদি য়ুরোপকী অফাওবা ক্লব এ সী মিলন, রিয়েল মেদ্রিদ অমসুং মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনচিংবা টিমগা লম্বা তৌনবা ঙম্লোই, মখোয়সু খা অমেরিকাদগী তোঙান তোঙানবা, খেন্নবা ধর্ম্ম চৎপশিং শান্নরোয় ওইনা লৌশিল্লি। কেলটিক্কী শান্নরোয় কেথোলিক ধর্ম্ম চৎপা মাউরিক জোনষ্টোনবু রেঞ্জর ক্লবতা য়াওহল্লকপগী মতাংদা ক্লব অসিবু শৌগৎপশিংনা য়ানীংখিদে। মসিগী মায়োক্তা লৈখি, মখোয়না ক্লব অসিগী ষ্টেদিয়ম ইব্রোক্সকী মপান্দা রেঞ্জরগী সিম্বোল য়েকপা ঙকশমদা য়েৎনবা স্কার্পশিং খোমজিল্লগা মৈ থাদোকখি অমদি ফুটবোল য়েংনবা চহীগী ওইনা লৈবা সিজন টিকেটশিংসু খোমজিল্লগা মৈ থাদোক্তুনা উৎ ওলহনখি।

মখোয়না ক্লব অসিগী শক্তম মাঙই হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

আইরিস সমুদ্রগী ৰাংমদা লৈবা নোদর্ন আয়রলেন্দদা লৈরিবা ক্লব অসিবু শৌগৎপা মীওইশিংসু গ্লাসগোদা ফুটবোল য়েংবা চত্তনবা ৰারেপ লৌখি। মখোয়না রেঞ্জরগী সোভেনর, বেদজ, ফুরিৎনচিংবা পোত্থোক অমত্তা লৈরোই হায়না ৰাশকখি। নোদর্ন আয়রলেন্দগী সহর বেলফাষ্টা রেঞ্জরগী মেনেজর গ্রীনে সাউনেসকী মীত্তম শারগা মৈ থাখি।

অমরোমদা, কেলটিক ফুটবোল ক্লবকী ফেনশিংনা মাউরিক জোনষ্টোনবু মহাক্কী থৌওং অদুদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। কেটলিক্কী ফেন খরনা মহাকপু হাৎনবা খুজিল থৌরাং তৌই হায়দুনা পুলিসনা কেলটিক টিমবু শৌগৎপা মীওইশিং ফাজিন্দুনা থমখি। থৌদোক অসি মহাক্ক । রেঞ্জর ক্লবতা য়াওখিবা থা অমরোমগী মতুংদনি। রেঞ্জরনা জোনষ্টোনবু কেলটিক্কী শৌগৎপশিং হাৎপা ঙমদনবা নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাংদা জেট প্লেন অমা ৰাইরগা গ্লাসগোদগী লন্দন তান্না পুং কয়ামুক চঙনা পাইহন্দুনা সহর অদুগী মফম অমদা চেকশিন্না থন্মী। মতুংদা মহাক ইদিনব্রা মকয়াদা মী চঙবা ঙমদবা য়ূম অমদা লৈহনখি। কুমজা ১৯৯০গী ময়ায় চল্লকপদা মহাক স্কোটলেন্দ থাদোক্তুনা চেনখি। য়ু এস এগী কানসাস সহরদা খুন্দাদুনা লৈখি।

কুমশিং ১৯০০ চঙলকপগী অহানবা চহী কুনলোম হায়বদি ১৯২০ রোম ফাওবগী মনুংদা টিম অনী অসিগী য়েংথিনবা খঙহেন হেনগৎলকখি। তাল্লক অসিদা নোর্দন আয়রলেন্দগী কোনুং বেলফাষ্ট সহরদগী হরলেন্দ এন্দ ৰল্ফ সিপ কৌবা জহাজগী কম্পেনি অমা গ্লাসগোদা হোংলকখিবদা কম্পেনি অসিগী থবক শুবা মীওই লিশীং কয়া অমুক লোয়নরকখিবশিং অদু প্রোটেষ্টেন্ট ওইবা মরম্না মখোয়না কেথোলিকশিংবু নুংশিবা পোকখিদে, হন্থনা য়েংলম্মী। কম্পেনি অদুদা কেথোলিক অমত্তা থবক পীরমদে। কেথোলিকশিং অসিগী মথক্তা লৈঙাক্লসু থৌজাল নীংথিনা পীবিদে। প্রোটেষ্টেন্ট অমত্তনা কেথোলিক নুপী লুহোংবা য়াদে। মখোয়বু লৈঙাক্লা থবক নিংথিনা পীবিদে অমদি য়ুনিভর্সিটিদা মমিং চলহন্দে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা 'ওল্ড ফার্ম' হায়না খঙনবা টিম অনী অসি হেন্না য়েংথিনবগী অকনবা খোঙথাং অমা ওইখি।

রেঞ্জর ক্লবকী 'বিল্লী রোয়জ' কৌবা খূৎলায় পায়বা কেলটিক টিমগী সপোর্টরশিংবু খৎনবা হৌবা, খৎনবদা য়োৎলিনা কনবা, থাঙনা থিনবা, চৈতুপ্না কনবা অমসুং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা কাঙবু অমা লৈ। অমরোমদা কেলটিক ক্লবকী 'মেক গ্রোরী বোইজ' অমসুং 'মেক গ্লাইন পুস' হায়না খঙনবা কেলটিক ক্লবকীদমক মথ্বায় থাদোকপা ঙম্বা মীহাৎ মীপুন তৌবা সপোর্টরশিংসু লৈ। মখোয় অসি আইরিস রিপব্লিকান আর্মি হায়না খঙনবা নোর্দন আয়রলেন্দগী খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপ অদুগা শম্নে হায়না লৌনৈ। ক্লব অসিগী দিরেক্টর তরা লৈ।

আয়রলেন্দগী মরুওইবা চিঞ্জাক্তি আলুনি। লমদম অসিগী মীওই তঙ্খায় অমরোমদি আলুনা চাক নৎত্রগা গেহ্গী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নৈ। কুমজা ১৮৪৫দগী ৪৯ ফাওবা আলুদা মখল কয়াগী লায়না শন্দোরকপদগী আলুগী পোত্থোক হন্থখি। চাবা ফংদবনা মীওই মিলিয়ন অমরোম শিখি। মরম অদুনা কেথোলিক ধর্ম্ম চৎপা আয়রলেন্দ মচাশিং আইরিস সমুদ্র লান্দুনা স্কোটলেন্দদা চেল্লকখি অমদি গ্লাসগোদা মখোয় কয়ামুক খুন্দাদুনা লৈখি।

শেল থুমগী ফীভম ফত্তবনা মখোয়শিং অসি য়াম্না ৱানা হিংখি। মীরক তিনবা ঙমদে। মখোয়না অফংবা থবক খরা শুরগা ময়ূম পান্দুনা হিংনবা হোৎনৈ। মখোয় অসি কেথোলিক্সনি। মরম অদুনা মনাক নকপদা লৈবা প্রোটেষ্টেন্টশিংনা মখোয়বু উশিৎপীদে, য়াম্না হন্থনা য়েংই। মখোয়না কিরিবদি মরল মথুম লৈবা ইনাকখুনবা প্রোটেষ্টেন্ট মিসন্নরি (ধর্ম্ম শন্দাকপা) শিংনা কেথোলিক লৈবা মফমশিংদা চত্তুনা মখোয়বু প্রোটেষ্টেন্ট ওইহনখিগদ্রা হায়বা অসিনি। মরম অদুনা মখোয়গী অঙাংশিং কেথোলিক স্কুলশিংদা মহৈ তমহল্লি। প্রোটেষ্টেন্টশিংগা তিন্নহন্দে। মখোয় চাওখৎনবা হোৎনজৈ। অদুবু কেথোলিকশিং অসি কিথি-কিরুম তৌই। মীয়াম মরক্তা তিন্নবা ঙমদে। মরম অদুনা মখোয়গী মওং অসি উবদা ফাদর ৱালফ্রেদ কৌবা কেথোলিক্সকী লম্বোইবা অমনা কুমজা ১৮৮৮দা তোঙানবা কেথোলিকশিংগী ওইবা কেথোলিক কেলটিক ফুটবোল ক্লব শেমখি।

শান্নরোয়শিংদা নিংথিনা চাং নাইনা অকনবা ট্রেনিং অমসুং কোচিং তৌদুনা মখোয়দা লৈবা থাক হন্থবগী ৱাখল অদু মাঙহনখি। মখোয়গী পার্সনেলিটিজ হেনগৎহনখি। মথৌনা ফবা হেনগৎখি। অফবা হৈশিংবা টিম অমা শেমদুনা হৌগৎলকপদা লীগ চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। অসুম্না হৌরকখিবা ক্লব অসিনা রেঞ্জর ফুটবোল ক্লবকা লম্বা তৌনদুনা ধর্ম্ম অমসুং শান্নবগা পূন্না চৎমিন্নবগী খুদোংথিবগী খুদম অমা ওইহল্লি।

# 'এম্বেসেদর ফোর আই এন বি এ এসিয়া' এৱার্দ

**A Distinguished Service Award Honored to Dr. Ngangbam Shantikumar Meetei, Presented by INBA Korea President, Diesel (Seo Moon Seok )**

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-






**হৌখিবা** ওক্টোবর ১৪, ২০১৭তা কোরিয়াগী নান্না ফজখ্রবা সিটি সিওলদা পাঙথোকখিবা আই এন বি এ কোরিয়া গ্রান্দ প্রী নেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপতা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট, ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈবু কোরিয়াগী আই এন বি এ প্রসিদেন্ট, Diesel (Korean name Seo moon Seok) না অচঙবা শেল খুদিংমক পুথোকপীদুনা মহাকপু গেষ্ট পোজিং তৌবীনবা অমদি য়েংশিনবীনবা কৌবিখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈগী মরু ওইবা থৌদাংদি কোরিয়ন প্রসিদেন্টবু নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদু মপূং ফানা পাঙথোকপদা অমদি কোরিয়াগী ৱর্ল্ড কপ অমদি নেচরেল ওলেম্পিয়াগী টিম খনবদুনি। গেষ্ট পোজিং তৌবগী মরুওইবা মরমদি মহাকপু ৱর্ল্ড ক্লাস এলিট নেচরেল এথলেট অমা ওইবতা নত্তনা এসিয়া পূম্বগী ওইনা অহানবা নেচরেল ওলেম্পিয়াদা অমেচর অমদি প্রোফেসনেল এলিট এথলেট অমা ওইনা কুমজা ২০১৪ অমদি ২০১৬ অনীমক্তা অহানবা মনা ফংখ্রবা মীওই অমনি হায়না তাকপা অমদি চহী ৫৩ য়ৌরফাওবদা নেচরেল এথলেট অমনা মহাক্কী ফীভম অসি নিংথিনা নহাগুম্না থম্বা ঙম্মী হায়বদু উৎথোকপদুনি। মসিগী মথক্তা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমারবু লাকপিখিবা ওদিয়েন্স মীয়ামদা অহানবা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট হায়নসু শক তাকথোকপীখি।

'এম্বেসেদর ফোর আই এন বি এ এসিয়া' হায়বা ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইরবা মীংথোল অসিবু ফংবসি ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈনা অহানবনি। এৱার্দ অসিবু মহাক্কী মফমদা অহানবা ওইনা পীবিখিবগী মরুওইবা মরমদি মহাক্না মতম কয়া চঙনা, মশাগী শেল পুথোকচদুনা নেচরেল বোদিবিল্ডিং শান্নদুনা, ইন্টরনেসনল টাইটল কয়া লৌরক্তুনা, এসিয়াদা নেচরেলগী লম্বীদা খ্বাইদগী ৱাংবা শান্নরোয় অমা ওইবতা নত্তনা ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন (আই এন বি এ) বু এসিয়াদা ওফিসিএল্লি শন্দোকপা অমদি নৌনা হৌরক্লিবা শান্নরোয় কয়াবু চাহৈদবা পোৎলমশিং হায়বদি ষ্টেরোইদ, হোর্মোন্স অমদি এলিগেল ওইবা পোৎলম কয়াবু চাদনা হকচাং ফনা শান্নবা য়াই অমদি নেসনল, এসিয়া অমদি ইন্টরনেসনল টাইটল কয়া অমা লৌবা য়াই হায়বা তাকপা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌবগীনি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক্তা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ওদিটোরিয়ম, ইরোইশেম্বদা জুলাই ২৭তা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা "Legendary Mr. Maipak and Dr. Ngangbam Meetei National Level Natural Bodybuilding and Fitness Championship" অদু মহাক্কী লমজিং মখাদা মশাগী শেল অমদি মীয়াম্না নুংশিদুনা পাংবিরকপা শেনফম পূনশিল্লগা পাঙথোকখিবনি। মশামক্না নেচরেলগী ওইবা কান্নবা কয়া অসিবু খঙজদুনা মহাক্না হৌরক্লিবা শান্নরোয় কয়াবুসু অফবা, অচুম্বা লম্বীদা পূনশিনবীবা পাম্বা অমদি হকচাং ফবা ষ্টেট, নেসনল অমা শেম্বদা মতেং পাংনবা খন্দুনা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অমনি।

মসিদা নত্তনা, মহাক্না খ্বাইদগী অহানবা ওইনা আই এন বি এ টাইৱান ওফিসিএল্লি হাংদোকখি অমদি সাউথ কোরিয়াবুসু ওফিসিএল ওইনা আই এন বি এ কোরিয়া হাংদোকপদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌখি। হৌজিক্তি ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমারগী লমজিং মখাদা এসিয়াদগী নেচরেল এথলেট ময়াম অমা শরুক য়াবা ঙমজরে, ফংজরে আই এন বি এ পি এন বি এনা শিনবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়াদা।

য়াম্না নুংঙাইরিবা পাউ অমনা, অহানবা "Legendary Mr. Maipak and Dr. Ngangbam Meetei National Level Natural Bodybuilding and Fitness Championship" ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা চেম্পিয়নশিপ অদুদা লাকখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াগী শান্নরোয়শিং অমদি জজশিং/রেফ্রিশিংনা হৌজিক হৌজিক আই এন বি এ ইন্দিয়া ওফিসিএল্লি শেম্নবা কন্না হোৎনরি, মথং চহী ২০১৮দদি ইন্দিয়াদসু আই এন বি এ আই এন দি এ শোয়দনা লৈরগনি। মণিপুরদা আই এন বি এ নেসনল অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি অয়াম্বনা আই এন বি এ নৎত্রগা নেচরেল বোদিবিল্ডিং হায়বসি করিনো হায়নফাও খঙদবনা অয়াম্বনি অদুবু হৌজিক্তি শান্নরোয় অয়াম্বনা 'খঙনরে লোয়ননা মীচম মীয়ামনসু য়াম্না পান্নদুনা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমারবু অদুক্কী মতিক থাগৎপীরি অসিগুম্বা অনৌবা, অফবা, অচুম্বা য়াওল অমা ইরমদম কংলৈপাক্তা পুবিরকপগী। হৌখিবা মমাঙগী চহীশিংদদি ইন্দিয়াদগী মিষ্টর ৱর্ল্ড নৎত্রগা মিষ্টর নেচরেল ওলেম্পিয়া য়াওনবা লাকখিবসি শান্নরোয় অমা নৎত্রগা অনীদগী হেনখিদে। অদুবু হন্দক্কী ২০শুবা য়ু এস এগী লাস ভেগাসতা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী ৱাংবা বোদিবিল্ডিং অমদি ফিটনেস স্পোর্টসকী চেম্পিয়নশিপ অসিদদি ইন্দিয়াদা পূন্না মখোয় ৮/৯ লাক্কদৌরি। মসিগী মনুংদা ইরমদম কংলৈপাক্তগী পাওনম রোমেশ মীতৈ, রাজকুমার রাকেশ অমদি এম এ বি বি এগী প্রসিদেন্টসু লাস ভেগাসতা নবেম্বর ৭তা য়ৌরক্লগনি। মথং চহীদদি মশীং য়াম্না হেন্না শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী থাজবা য়াম্না চাউনা লৈজে, করিগীসু থম্লোই। অফবা হায়বসিদি মীপূম খুদিংমক্না পান্ফম থোকই।

মসি খুদিংমক অসি ওইনবা হোৎনবদা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈনা লৌখিবা থৌদাং কয়াবু কোরিয়াগী আই এন বি এ প্রসিদেন্ট, Diesel না মশক খঙবীদুনা মহাকপু কোরিয়াদা অচঙবা শেল লোইনা পুথোকপীদুনা মহাকপু স্পিসিয়েল ইনভাইটেদ গেষ্ট ওইনা কৌবিদুনা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈবু 'এম্বেসেদর ফোর আই এন বি এ এসিয়া' মীংথোল অসি পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবনি।

মসিগী এৱার্দ অসিগী মতুংদসু মহাক্কী নেচরেল স্পোর্টসপু প্রোমোট তৌবা মহাক্কী স্পিরিট, ইন্টিগ্রিটি, সেক্রিফাইস অমদি এক্সিলেন্সি হায়রিবা হীরমশিং অসিদা বেজ তৌরগা মহাকপু"Natural Bodybuilding Hall of Fame" এৱার্দ অসি য়ু এস এগী লাস ভেগাসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা ২০১৭ নেচরেল ওলেম্পিয়া হেক লোইশিনবগী এৱার্দ সেরেমোনিদা নবেম্বর ১২দা এসিয়াগী অহানবা মীশক অমা ওইনা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈদা পীগদৌরি। খ্বাইদগী ৱাংলবা এৱার্দ অসি মহাক্না নেচরেল স্পোর্টসকীদমক অমদি হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংগীদমক লৌজবা থৌদাংশিং অদুগীনি।

তশেংবদি ডা. শান্তিকুমারদা অসিগুম্বা এৱার্দ অমা পীবিদুনা মহাকপু ইকায়খুম্নবীগনি হায়বগী পাউ অমত্তা মহাক্কী মফমদা কোরিয়াগী আই এন বি এ প্রসিদেন্টনা হৌদোকখিবা লৈখিদ্রি, মহাক্কী চিনবান্দা "You are the Ambassador of INBA Asia" হায়না মমাঙগী মে থাদা সিওলদা পাঙথোকখিবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ অদুদা পনখিবদু নত্তনা। চেম্পিয়নশিপ অদুমক্তদনি ডা. শান্তিকুমারবু আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনসু আই এন বি এ পি এন বি এ ৱর্ল্ড প্রসিদেন্ট, দেনি কাকোস, মশামক্না কোরিয়াদা লাক্তুনা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈবু চাওথোক্না মীয়াম মাঙদা আই এন বি এ এসিয়া প্রসিদেন্টকী মোমেন্টো অমা শিন্নবীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীখিবা।

14 October 2017 INBA Korea Grand Prix National Bodybuilding and Fitness Championship তা ডা. শান্তিকুমার মীতৈবু আই এন বি এ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মহাক্না মতম কয়া চঙনা নেচরেল স্পোর্টসপু আই এন বি এ পি এন বি এগীদমক কত্থোরকপা, শৌগৎপা অসিদা নত্তনা মহাক্কী হোৎনবা লেপ্তবা, মহাক্কী টাইটল শোং, নোল্লুকপা, ফ্রেন্দলি ওইবা, হৌনা লোনচৎ অমদি ইচম চম্না হিংজবা মহাক্কী পুন্সি মরেল অসিবুসু পামজনা হায়রিবা অসিগুম্বা মমল লৈরবা মিংথোল অসি পীবিদুনা ডা. শান্তিকুমারবু ইকায়খুম্নবিরকখিবনি।

অসিগুম্বা পুন্সিগী ময়ায় চল্লকপা তাঙ্কক অসিদা ফংলক্লিবা, পীবিরক্লিবা মীংথোলশিং, এৱার্দশিং, মনাশিং অমদি ইকায়খুম্নবীবা হায়বসি নোংমা নীনিদা চহী অমা অনীদা হেক্তা টাইটল খরা লৌরগা, মেদল খরা ফংলগা হেক্তা ফংবা য়াবা মিংথোল নত্তে হায়জনীংই। অসিগুম্বা অতোপ্পা মালেমগী মীওই কয়ানা শক খঙবীবা, নুংশিবীবা, ইকায়খুম্নবীবা হায়বসি মতম চঙনা শাগৎপা মহাক্কী অৱাবা কয়া থেংনবা ঙম্বা, খাঙবা কনবা, ফজবা কেরেক্টর, পর্সনেলিটি, হার্দ ৱার্ক অমদি লেপ্পা লৈতনা হোৎনবা হায়রিবা মগুনশিং, মতিক-ময়াইশিং অসিনসু য়াম্না মতেং পাঙই হায়জনীংই।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নুপীমচাশিংসু হিংবগী হক লৈহনসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হঙ্গৎনা** য়েংলুবদা লময়ানবা ইরাবতখোয়গী মতম হায়বদি কুমজা ১৯৪৭তগী ১৯৫০গী মতমগা য়েংনরুবা মতমদা থোইদোকপা উহৈদ্রবা অমদি তাহৈদ্রবা থৌদোকশিং কা হেন্না থোকখিবা থেংনখিদে। অদুবু ঙসিদি ইরমদম অসিদা তাহৈদবা থৌদোক কয়া থোরক্লি। নুপী হায়বা মালেমদা মমাগী রোল লৌরিবা কাঙলূপ অসিদা, নুপী ওইরুবগী হায়বদি নেচরনা পীবীবা চৈথেং অমদি নুপা হায়বা কাঙলূপকা য়েংনবদা পাঙ্গলদা খরা হন্থে হায়বগী ৱাদি নত্তে নুপীসু নুপাদগী পাঙ্গল থৌনা লৈবী কয়া অমা লমদম অসিদা লৈরি। অদুবু নুপী অয়াম্বদি থোৎচবা অমদি মীনুংশি চাওবগী গুন অমদি পোল্লকপদা য়াওরকপনা অখাং কনবা নুপাদগী নুপীনা য়াম্না হেল্লি হায়বা তই। মপুরোইবা লৈখিদ্রবী নুপীশিংবু লুখ্রাবী হায়না খুন্নাইনা খঙনৈ। অদুগা নুপী লৈখিদ্রবা নুপাবুনা পাখ্রা হায়না খঙনৈ। ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা নুপীশিংনা থেংনরিবা অমদি লুখ্রাবীশিংনা থেংনরিবা মরুওইনা মচাশিং য়োক্লবা হোৎনবদা, লাইরিক লাইশু তমহন্নবা হোৎনবদা শেম্থোক লম্বী লৈজদবনা লৈকায়গী য়ূমথোং খুদিং চৎতুনা ফিশু-ফিজাম্বা, কোল-লিক ফেংবা, চাক থোংবা অমদি চেঙ খৈবনচিংবা তৌজরগা মচাবু শেম্নবা হোৎনজৈ।

অমরোমদা, পাখ্রা/নুপী লৈখিদ্রবা নুপা অয়াম্বদি মাগী নুপী লৈখিদবগী চহী ফারকপগী কুমওন ফিরোই হেক লোইখিবগা নুপা খরদি অনৌবা নুপী অমা থিবনা অয়াম্বনি। হায়বদি মচাশিংগী খনবসি নুপীনদি খরা হেল্লি। ঐখোয়গী সোসাইটিদা ঈজৎ লৈনা হিংজনবা হোৎনবসি নুপীনা অয়াম্বনি। মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা নুপীদি মীওইবা নত্তব্রা? অদুবু হায়রক্কনি নুপা-নুপী রাইট চপ মান্নে হায়না। মসিসু য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা নুপা নুপী রাইট চপ মান্নে। খেন্নবদি অদুম লৈরি করিনা হায়ববু নুপীনা পীক্লিবা মচাগী খল্লগা অতোপ্পদা অমুক হন্না ময়ূম পান্দে অদুগা নুপা অয়াম্বনা মচাগী ৱাখল তুংওইননা থল্লগা অনৌবা নুপী থিনিংলিবা করিগীনো? নুপা লোইনমক মচাগী খন্দে হায়জবদি নত্তে।

পাউচে কয়াদা নুপীমচা চহী ১০ শুদ্রিবদগী হৌনা ইনখৎলক্লিবা লৈশাবী মচা ময়ূম পাল্লবী মপুরোইবা লৈরবী মৌগী শিংদা চল্লবী, মচাসু লৈরবী নুপীশিংদা নমদুনা ফমলানবীরল্লে, হাৎলগা হুন্দাক্লল্লে, করিগুম্বদনা নুপীমচাদু মশাগী ঈজৎ কঞ্জহৌরে হায়বা য়াম্না তোয়না থেংনজৈ। অসিগুম্বা কয়া অসি তাবদা ইকায়বা, শাওনীংবা তৌফম খঙদবা কয়া থম্মোয়দা ফাওই। মরম অসিদগী য়ূমদা লৈমিন্নরিবা ইচানুপী অমদি অপীকপা ইশুনুপীশিংদা অন্মম অথেংবদা নথক্তা চৎকনু, থোঙ্গাল ৱাংমা লানগনু হায়দুনা চেকশিন ৱাহৈ কয়াসু থম্নরে। লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা মীদি মানবা মতু পানবা ফি শেত্তবা শাগী ৱাখল চেনবা মীওইশিংনা ক্রাইম অমা তৌরুবা মতমদা মহাক্না তৌরুরিবা ক্রাইম অদুগী মতিক চাবা চৈরোক মতম চানা লৈঙাক্লা পীবা ঙম্লবদি ঙসি মীয়াম্না থেংনরিবা তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা অসি য়াম্না হন্থরক্কনি খঞ্জে।

মতং অসিদা হায়জনীংবদি নুপীশিংদা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা, নুপা ওইবশিংগী ওইনসু লৈকায়গী ক্লব/ওর্গেনাইজেসনশিংনা নুপীদা মিৎয়েং কারল চন্দনবগী মতাংদা এৱেয়র্নেস পীদুনা ৱাখল তহনবা মথৌ তই। লমদমসিগী নুপা নহা খরদি নুপী অঙাংশিংদা ক্রাইম তৌররগা ইকায়বগী মহুত্ত হেন্না লেম্নবগুম্না তৌই। মদুগুম্বা মীওইশিং অদু মতম চানা মতিক চাবা চৈরোক পীদুনা খুন্নাই অসিদা অসিগুম্বা থবক অসি চত্থবা য়াদে হায়বা খঙহল্লবদি মতুং তারকপদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা নুপী অঙাংদা মিৎয়েং কারল চনবা ঙম্লোই। খুদম ওইনা থমজরবদা থাইলেন্দদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক করবার তৌবা মীওইশিং মীয়াম মমাঙদা ফারগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলি। অদু ওইরগদি মখা তনা লোনা য়াদে হায়বা থবক অদু মীয়াম্না তৌনীংলোই। মরম অদুনা ক্রাইম অমা তৌরুবা মতমদা ঈজৎ মাঙলিবা অসি নুপীদা নত্তনা নুপাশিংসুনি। নুপাশিংগীসু মেন গ্রুপকী সেল্ফ রেসপেক্ট কঞ্জবা মতম লৈরব্রা খঞ্জে। কনানা খঙবা শেম্বীবা মপূ মানদি খঙলমগনি, ঈজৎ লৈনা লৈজবা নুপাসু য়ূমদা হঞ্জিল্লকপদা লৈহৌরিবা পীক্লিবা ইচানুপী অমদি মমাদো করি তৌরমগদবা খল্লুবদা লম লাপ্পা চৎনীংলোই। অদুবু হিংদবদি য়াদবনা নোংমগী মথৌ তবা পোৎলমশিং মরু ওইনা চন-থক্লবগী শেল তাদবসু য়াদে অদুগা ঈজৎ লৈনা হিংবসু মথৌ তই। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসি থিংনবা হোৎনবগা লোয়ননা নুপীশিংসু হিংবগী হক লৈহনসি হায়বা ৱাফমসি কাউফম থোক্তে।

*অদোমগী - মোইরাংথেম লৈমা, নোংমৈবুং, ইম্ফাল*